# মণিপুরগী লো এন্দ ওর্দর কনানা থুগাই, কনানা ঙাক-শেল্লি হায়বা লুই

**- পোৎশংবম হকিম খাবা -**

লো এন্দ ওর্দর হায়বসি প্রেক্টিকেল ওইবা মীৎয়েংদা -- লৈবাক মরা তপ্না পানবগী মওং অদুনি হায়না লৌবদা লানগনি নীংদে। লৈবাক লাঙলবদি মদুবু লো এন্দ ওর্দর লৈতবা হায়না খঙনবা য়াই, মরম অসিনা মালেমগী লৈবাক পূম্নমক্না মীয়ামগী পুন্সিবু তংদু-লৈতানা হিংহন্নবগীদমক্তা মতম পূম্বদা লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম ফহন্নবা হোৎনৈ। ইন্দিয়াগী ওইনা অসাম রাইফলস অমসুং পেরা-মিলিটরি ফোর্সশিংনা লৈবাক অসিগী মরা তপ্পগী ফীভম কায়হন্দনবা হোৎনবদা অচৌবা শক্লোন অমা লৌরি। অদুম ওইনমক, লৈবাক অসিনা নীংতম্বা ফংলবা মতুংদা ফেদরেল য়ূনিট অমা ওইনা খোপচিনখিবা মণিপুরনচিংবা ষ্টেটশিংদা হৌরকপা পেন্নদবগী ঈহৌ অমসুং অসিগুম্বা ঈহৌ অসিবু লাকশিন্নবা হোৎনবদা লৈঙাক্না শান্নরকপা দিভাইদ এন্দ রুলগী পোলিসিনা অপীকপা ফূরুপ মচা-মচাশিংগী মরক্তা থোকহল্লকপা লৈবাক লাঙবগী মওং অসিদি অরুবা ফীভম অমা ওইবনা, চুম্নগী পেরামিলিটরি ফোর্সশিংনা লাকশিন্নবা হোৎনবদা অৱাবগী মশক ওইরকই, মরম অসিনা ঐখোয়না মীতৈ-কুকি অমসুং কুকি-নাগা হায়রিবা মীওই কাঙবুশিং অসিগী ঈরাংশিংদা ইন্দিয়ান আর্মিনা শরুক য়াবা উবা ফংনরি। য়েক্নবা লৈবাকশিংগা লান্থেংনবদা শীজিন্নগদবা আর্মিবু মণিপুরগী লো এন্দ ওর্দর ঙাক-শেন্দুনা থম্নবা হোৎনবদা শীজিন্নরকপা হায়বসি, অৱাং-নোংপোক লমদমগী ইন্টরনেশনল বোর্দর অসিদা থোক্লিবা খূৎশেমগী ঈরাংশিং অসিনা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী জিওপোলিটিক্সতা অকায়বা থোকহল্লক্তনবগীদমক্তা শান্নবা, লিনসু শিবা অদুগা চৈশুসু তেকহন্দবা হায়বা লীলা অদুনি।

ম্যান্মার মিলিটরি হুন্টা অমসুং রেজিষ্টেন্স ফোর্স অনীগী মরক্তা হৌজিক লোইবা নাইদনা অকনবা মওংদা শোক্লরিবা লান অসিদা লৈবাক অসিগা য়ূমলোন্নবা চাইনা অমসুং ৱেষ্টর্ন ব্লোক -- মরু ওইনা য়ু এসনা খুদোংচাবা লৌদুনা কান্নবা কয়া ফংবা ঙম্নবা হোৎনরি। চাইনানা ম্যান্মারদা পায়খৎপা দোল্লর বিল্লিয়ন কয়াগী অতৈ প্রোজেক্টশিং য়াওনা, ইন্টরনেশনল ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভেলপমেন্ট স্কিম অমা ওইরিবা বেল্ট এন্দ রোদ ইনিসিয়েটিভ (বি আর আই) অসিনচিংবা থৌশিলশিংবু মায় পাকহন্দুনা মশাগী মার্কেট ইকনোমিবু এসিয়া ৱাংমা লান্না, য়ুরোপকী পেসিফিক লৈবাকশিং য়ৌনা শন্দোক্নবা হোৎনরকপদা ম্যান্মারগী নোংচুপ অমসুং অৱাং-নোংচুপ্তা খুন্দারিবা কচিন, নাগা, চিন অমসুং অরাকান হায়রিবা মীওই কাঙলূপশিং অসিগী মনীং তম্লবা অমদি পাক-চাউরবা লৈবাক অমা শেমগৎনবা হোৎনরি। থৌওং অসিনা চাইনাবু সমুদ্রগী ঈশিং-লম্বীগা শম্নহনগনি। মথক্তা পল্লিবা 'চিন' হায়রিবা মীওই কাঙলূপ অসি ইন্দিয়াদা 'কুকি' হায়না খঙনরিবা মীওই কাঙলূপ অসিনি অমসুং লৈবাক অসিনসু মখোয়বু অৱাং-নোংপোক লমদমগী মণিপুরদা লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম কাং-খোং চাইহন্নবা ফরবা খূৎলায় অমা ওইনা শীজিন্নরি।

জিওপোলিটিক্সকা মরী লৈনবা অতোপ্পা ৱাফম অমনা, ৱেষ্টর্ন ব্লোককী মনুং চনবা লৈবাকশিংগী লল্লোন-ঈতিক্তা য়াম্না মরু ওইবা 'মালাক্কা ষ্ট্রেইট' হায়না খঙনবা সমুদ্রগী অখুবা ঈশিং-লম্বী অসিগা ম্যান্মারগী টাইনিনথার্য়ি হায়বা সমুদ্র মপানগী লমদম অসিগা য়াম্না নক্সনা লৈরম্বা অসিনি। লমদম অসিদা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা চঙশিল্লকপা য়াই হায়বা অকিবা অমা চাইনাগী ৱাখলদা লৈবদগী লৈবাক অসিনা অৱাং অমসুং নোংচুপ থংবা ম্যান্মারদা, প্রো-চাইনা এঠনিক আর্মদ ওর্গনাইজেশন (ঈ এ ও) শিংনা কন্ট্রোল তৌবা লমদমশিং শেমগৎলি। অসিগুম্বা চাইনানা শন্দোরক্লিবা ইথিলশিং অসিগা মায়োক্নবা ঙম্নবগীদমক্তা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগীসু 'এক্ট ইষ্ট' পোলিসি হায়বা অমা পায়খত্তুনা ম্যান্মারগী মিলিটরি হুন্টাগা লোয়ননা কলাদান মল্টিপর্পজ প্রোজেক্টনচিংবা থৌশিল কয়া চখরি। অদুম ওইনমক চাইনা অমসুং ইন্দিয়া অনীনা য়ূম্লোন্নবা লৈবাক অসিগী মিলিটরি লৈঙাক অমসুং এঠনিক আর্মদ ওর্গনাইজেশনশিং হায়রিবা নাকল অনী অসিদা পীরিবা ইথিলগী চাং অসিদি বৈজিংগী মফমদনা খরা ৱাংনা লৈবা উই। হুন্টা অমসুং ঈ এ ওগী লুচিংবশিংবু বৈজিংনা ইরায় লায়না চাইনাগী শরৈদা হুমদুনা পুরি। লৈবাক অসিদা থোক্লিবা পোলিটিকেল অমদি মিলিটরিগী মূক্নবশিং অসিমক চাইনা অমসুং য়ু এস অনীগী মরক্তা চিংখাইনরকপদগী থোক্লকপা মহয়নি অমদি হায়রিবা চিংখাইনবা অসিগী মরক্তা লৈরিবা বর্মিজশিংবু বলিগী হামেং ওইহনবনি হায়না ম্যান্মারগী পোলিটিকেল এনালিষ্ট ডা. এন কাউ লানা মহাক মশাগী ওইবা ৱাখল্লোন ফোঙদোক্লি।

মণিপুরদা কুকি নার্কো-টেররিষ্ট নৎত্রগা লোনা অয়াবা পীদবা মওংদা ম্যান্মারদগী চঙশিল্লক্লিবা চিন-কুকিশিংগী সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন হায়বা ইস্যু অসিসু চাইনানা ম্যান্মারদা তৌবগুম্না, ইন্দিয়া লৈঙাক্না নাকোইননা শৌগৎতুনা মরূ হুল্লকপা ওইনা উবা ফংনরি। মরম অসিনা হায়রিবা ইস্যু অসিগী অরোইবা ৱাখৈ অমা ঐখোয়না অতেনবা মতম অমগী মনুংদা পুরক্কনি হায়বসি থাজনীংঙাই ওইদে। অমরোমদা, জিওপোলিটিক্সকী লান হায়বসিদি মীওইবা খুন্নাইনা মালেম অসিগী লৈমায়দা হেক লৈরিবমখৈ লোইবা নাইরোই অমসুং অসিগুম্বা লান অসি মখা তানা চখুরকপগা লোয়ননা মীতৈশিংগী মথক্তা চখুরিবা কুকি খূৎলায় পায়বা -- ইন্দিয়া লৈঙাক্না নোংমৈ মরূ অমত্তসু কাপ্পবা তৌদনা নোংমৈ কাপ্পা লেপ্পবগী য়ান-ৱারোলদা খূৎয়েক পীমিন্নরিবা, নার্কো-টেররিষ্টশিংগী লান অসি, তাঙ্খুল-নাগাশিংদগী হৌরদুনা মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা ফূরুপ পূম্নমক্কী মথক্তা মথং-মথং চখুরকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈ। শৌগৎপীনবা, মখোঙ শোমদুনা শেমগৎপীনবা অমসুং মচীঞ্জাক হুনবীনবা ষ্টেট-এক্টরশিং ৱাত্তবা কুকি টেররিষ্টশিংনা কনাবুসু কিবা লৈতে। মতাং অসিদা খন্নবা য়াবা ৱাফম অমদি -- চাইনানা ম্যান্মারগী মিলিটরি হুন্টা অমসুং এঠনিক রেজিষ্টেন্স অনীমক্তা তোংশিন্দুনা শান্নরিবা লীলা অসিদি অতোপ্পা লৈবাক অমনা য়ূম্লোন্নবা লৈবাক অমদা শান্নবনি, অদুবু ইন্দিয়া লৈঙাক্না মশাগী ষ্টেট অমা ওইরিবা মণিপুরদা কুকিগী কার্দ পায়দুনা শান্নবগী মওং অসিনা, আর্য্যানশিংগা শক-চু মান্নদবা অমসুং হৌরকফম তিন্নদবা মোঙ্গোলোইদ ওরিজিন মণিপুরীশিংবু ইন্দিয়ান অমগুম্না উদ্রবরা হায়বা ৱাহং অসিনি। থোং মান্নবা চাওখৎ-থৌরাংনা, লৈবাক অসিগী নিংথৌ পাল্লম্বা মফম কয়াগী পেন্নদবা ঈহৌশিং অদু তপ্না-তপ্না মাঙহনখি, অদুবু মণিপুরনচিংবা অৱাং-নোংপোক্কী মফমশিংদদি চাওখৎ-থৌরাং পায়খৎপগী মহুত্তা আর্মদ ফোর্সেস স্পেশল পৱর্স এক্ট, ১৯৫৮ নচিংবা মীওইবগী ঈ থকপা অমুবা লো চৎনহন্দুনা মীয়ামগী পুন্সিবু মিলিটরিগী বুট মখাদা খোঙনেৎনহন্দুনা লাকখি। কোংগ্রেসশু ওইসনু নৎত্রগা বি জে পিসু ওইসনু, দেল্লীদা মতম মতমগী লৈঙাক পায়রকপা পোলিটিসিয়ন, ব্যুরোক্রেটশিং অমসুং ইন্দিয়াগী ময়ায়লমদা লৈবা আর্য্যান-ইন্দিয়ানশিংনা মণিপুরনচিংবা অৱাং-নোংপোক লমদমগী মীয়াম্বু লৈবাক অসিদা পূন্না লৈমিন্নবা ইন্দিয়ান ঙাক্তনি হায়না খনবা ঙমদে। মখোয়গী পূক্নীংদা লমদম অসিদা লৈরিবা মণিপুরী, নাগা, অরুনাচলি, ত্রিপুরি, সিক্কিমিজ, খাশি অমসুং অসামিনচিংবা মীৎ খুবা অমদি নাতোন নম্বা মীওইশিং অসিবু য়াম্না চাওখত্তবা মফমদগী লাকপা, মখোয়না তৌনীং-তৌনীংবতা তৌবা য়াবা মীতোপকী মতৌগুম্না খল্লি। দেল্লী য়াওনা ইন্দিয়াগী ময়ায়লমদা লৈবা করিগুম্বা ষ্টেট অমত্তদা অৱাং-নোংপোক লমদমগী মীয়াম্না শাফনীংঙাই ওইদে হায়বা ৱাফম অসি ইতৎ-তত্তনা পাউচেশিংদা ফোঙনরিবা লমদম অসিগী নুপী অমসুং নুপাশিংদা ইন্দিয়ানশিংনা চখুবা ক্রাইমগী রিপোর্টশিং অসিনা ময়েক লারবা খুদম্নি। পূম্নমক অসিনা মরম ওইদুনা, ইন্দিয়াগী লৈঙাকপশিংনা কুকি রিয়েক্সনরি ইলিমেন্টশিংবু শীংচেপ অমা ওইনা শীজিন্নদুনা মণিপুরগী অপূনবা শক্তম থুগাইরগা ষ্টেট অসিদা লো এন্দ ওর্দরগী প্রোব্লেম থোকহল্লকপদা থোইদোক্না ঙক্লিংঙাই ওইদে। মীতৈ অমসুং নাগাগী খুল ঙাকপা ভোলন্টিয়রশিং অমসুং মৈরা পায়বীশিংনা, ইন্দিয়াগী এ আরনচিংবা পেরামিলিটরি ফোর্সশিং অমদি আর্মিগা কুকি খূৎলায় পায়বশিংগা খূৎশম্নদুনা তম্পাক্কী চীংখোঙ-চীংয়া অমসুং উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী লিতান অমদি কামজোংনচিংবা মফমশিংদা লান্দাবগী থবক চথৈ অমসুং ম্যান্মারদগী কুকি নার্কো-টেররিষ্টশিং মণিপুরদা পুশিল্লকই হায়বনচিংবা মরাল শীবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্নরিবা অসি নুংশিৎ শীৎতনা ঊনা লেঙদে হায়নবগুম্না হেক্তা পঙহায় হায়জিনবা ওইগনি নীংদে। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা মণিপুরগী অপূনবা শক্তম কায়হনবা তৌরোই, টেরিটোরিএল ইন্টিগ্রিটি ঙাক-শেন্দুনা থমগনি অমসুং কুকিগী সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন পীরোই হায়বনচিংবা চিনবাল থোঙদা লাংবল খোইহী তৈবা ৱাঙাঙ কয়া ঙাঙ-শক্লগা, নারোন্দা কুকি নার্কো-টেররিষ্টশিংবু খূৎলায় ওইনা শীজিন্নদুনা ষ্টেট অসিগী লো এন্দ ওর্দরগী ফীভমদা অকায়বা থোকহন্নবা হোৎনবগুম্না তৌবা অসিদি হুরানবা নকোক্তা নাপী পকএ হায়বদু তাদ্রিবরা?

কুকিদা-নাগাদা মোইথেম তৌদুনা লৈবাক লাঙহন্নবা শীনবা অমসুং মীতৈগা কুকিগা নাগাগা হাৎনহল্লগা ইন্দিয়ানা ম্যান্মারদা চাইনাগা হেক্তা শয়েং-পাম্বোম থৈনবা ঙম্লগদ্রা? ইন্দিয়া লৈঙাক্না মতম পূম্বদা খূকউ শেনগদবদি -- লো কায়না মণিপুরদা চঙশিল্লক্লিবা কুকি-মীতোপ অমসুং নার্কো-টেররিষ্ট নৎত্রগা নাগাশিং অসি ম্যান্মারদা চাইনানা মশাগী জিওপোলিটিক্সকা মরী লৈনবা পান্দমশিং অদু ফংবা ঙম্নবগীদমক্তা, মনীং-মখা তম্বা ষ্টেট অমা পীগনি হায়না থাজহল্লগা মিলিটরি হুন্টাগী মায়োক্তা লান হৌহনবা রেজিষ্টেন্স মুভমেন্টকী কাঙবু ঙাক্তনি হায়বা ৱাফম অসিনি। মরম অসিনা কুকি টেররিষ্টশিংনা তাল্লিবা মখোয়গী তোঙানবা লৈঙাক অমগী দিমান্দ অসিদা এন্টি-ইন্দিয়া ওইবা চাইনাগী জিওপোলিটিক্সকা মরী লৈনবা ইথিল চঙলম্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। তম্পাক্কী পেন্নদ্রবা নহারোলশিংগী মরক্তা বৈজিংনা মতম অমদা শৌগৎপগী তাঙ্কক অমা লৈখিবা অদু ঙসিদি চিন-কুকি-জো কাঙলূপ্তা মায়ওন হোংখ্রে অমসুং অসিগুম্বা মীওই কাঙলূপ অসিনা ইন্দিয়াগী অৱাং-নোংপোক লমদম, মরু ওইনা মণিপুরদা ঈশিং-ঈচাওগী মতৌগুম্না চঙশিল্লকপা নৎত্রগা মখোয়বু লৈবাক মনুংগী ওইবা লোকল-পোলিটিক্স খরগী ইন্টরেষ্টতা অতম্নদা চঙহল্লকপা হায়বসি তুংগী চাইনাগা মরী লৈনবা ফোরেন পোলিসিদা খুদোংথীনীংঙাইহনি। কুকি টেররিষ্টশিং অসি মখোয়গী ম্যান্মারিজ ওরিজিন ওইবা লুচিংবশিংগা লোয়ননা ইন্দিয়া অমদি চাইনা অনীমক্কী দব্বল এজেন্ট ওইনা থবক তৌরম্বা য়াবগী ওইথোকপসু লৈতবা নত্তে।

মণিপুরগী লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম অসি কনানা থুগাই, কনানা ঙাক-শেন্দুনা থল্লি। মসি পাউখুম পীবা লূবা ৱাহং ঙাক্তনি। ৱাকমা অশৈবনা তেংথারি "চীংদা শাৎপী ইঙেল্লে, চিন্নদনা কেনখিবা, হা কল্লকই-কল্লকই দে।" থম্মোয় কায়নীংঙাইগী মশক ওইরবা তেংথাখোল অসি তাবদা নোংদম থীরবী ইঙেল্লৈনা নীংঙমদনা খুল্লকই, "ঐনা কেনগে কেন্দেদো, মালঙবনা হুম্বগী কেনবনি, হা কেনবনি দে।" ইঙেল্লৈগী পাউখুম অসিদা খোয়শাউনরবা মালঙবনা অমুক খুম্মী, "মালঙবা ঐসু কৈদৌদে, লৈরাংনা লৈখোক লোইবগী কেনবনি, হা কেনবনি দে।" অশৈবগী অসিগুম্বা লৈরাং ইঙেল্লৈনা কেনখিবগী নুংহীক্নরবা শৈরোল অসিদা মীওই-পুন্সিগী তোঙান তোঙানবা মরম কয়ানা থোকহনবা, অদুবু ময়েক শেংনদি ফোঙদোকচবা ঙমদবা নুংঙাইতবা ফীভম কয়াগী মমি চাউনা তারি। ঙসি, মণিপুরদা থোক্লিবা নুংনাংনীংঙাইগী মশক ওইরবা লো এন্দ ওর্দরগী ৱাথোকশিং অসিসু, মণিপুরী খুন্নাইগী (সী এস ও) সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেশনশিং অমসুং লৈঙাক-চূপ্পী পায়রিবা কাঙবু অনী অসিগী মরক্তা অমগা অমগা মরাল শীনদুনা লৈবগা লোয়ননা, হেন্না অরুবা মায়কৈ অমদা চঙশিল্লক্লি। মশাগী অরেপ্পা ফিরেপ লৈজদবা অমসুং শিদনবা হিংবা অনৌবা মীরোল অমনা মমা লৈবাক অসিবু দেল্লীগী খূরক্তগী চোইথোক্লকপা ওইজ-ওইথক খরগা মন্তিক্রুদুনা য়োম্থোকপদা করিসু নাচুংবা পোক্ত্রি। হায়রিবা মীরোল অসিনা, মণিপুরবু লৈখোক লোয়রবী লৈরাং ইঙেল্লৈগী মতৌগুম্না, দেল্লীদগী হুল্লকপা, মতমগী অকনবা নোংলৈদা লৈকা চোইনা কেলহল্লি। লৈবাক লাঙই, মীকপ-মীরাওনা নিল্লি। ঙম্নমক, খঙনা খঙনা, উনা উনা মীৎ তাঙলবগুম, না পঙলবগুম তূমিন তূমিন হিংনৈ। ●

# লাইনীংহল নাওরিয়া ফুলো (ফুন্দ্রে) অমসুং মহাক্না মীতৈগীদমক লৌরম্বা থৌদাং - (১১)

**- লুক্রাম মধুকুমার মীতৈ -**

মীতৈ ঐখোয়গী হৌরকপগী ৱারীবু নহান অহানবা মরুপ তিনবা মতমদা হায়জখ্রে। মীতৈ হায়বসি লাইনিংথৌ সোরারেনগী মচা-মশু ইশেং শেংবনি। ওই ওইদে হায়বা চয়োল তরেৎনা চুপ ওইদুনা লৈরিয়ে। তাংজ-পকচখিবা পূম্নমকসু মীতৈ নিঙোল লাইচনুনা পোকখ্রবনি, মরমদুনা পূম্নমক লাইমচানি। মীতৈ ঐখোয়বু ক্ষেত্রিনি হায়বীরিবসে অকাবা নৎত্রে, অকুম্বনি। মথক্তা কাখৎতুনা মানবা নত্তে, মখাদা কুমদুনা মানবনি। মীতৈ হায়বসিবু লাই মচা ওইবা মরম্না ব্রাহ্মণ, ক্ষেত্রি, বৈশা, শুদ্রগীসু মথক্লি হায়জগে। মীতৈ ঐতনা হায়জবনি। মী অতৈনদি তানীংবা ৱা নত্তে।

মীতৈ ঐখোয়গী ক্ষেত্রিময়ূম হায়বসি অর্জুনগী মচা মশুনি। অর্জুনদি ময়াং চনুনা পোকপনি। মপাদি লাইনিংথৌ সোরারেননি। লাই মচানি। ক্ষেত্রানিনা পোকই হায়দুনা ক্ষেত্রি হায়খি। ক্ষেত্রিদুনা মীতৈ চনু লৌদুনা পোকখ্রবদি লাই মচা ওইরে। মরমসিনা ক্ষেত্রিময়ূম হায়বসি অচৌবনি। ময়াং লৈবাক্কী কোলমৎতি মহৈ চুমদে, মীতৈ লৈবাক্তা পুথোক্তুনা থারুরবদি মহৈ চুম্মি, কোলবোৎনা চংবী ওইবা য়াদে। ক্ষেত্রিময়ূম হায়রিবসিসু অদুতনি। মীতৈ হায়বা ৱাহৈসিমক্তবু চীংমীনা ঐখোয় মীতৈবু হায়বনি। মীতৈ হায়বদি মী + অতৈ হায়বনি। চীংমীনা মখোয়গী মরুপ্তগী অতোপ্পা মীনি হায়বনি। লুসৈনা, অতৈ অতৈ চীংমীনা মীতৈ মকোক্না মখোয়গী কনাগুম্বা শিরগা লুখা থানখিবদো, মীতৈ ঐখোয়সিবু লাইগী মচানি। মীতৈ ঐখোয়গী কোক্না লুখা থারবদি মখোয়গী শিখি-নাখিবা পূম্নমকপু লাইরৈবাক ফংবা ঙমজে হায়বা মরম্ননি।

মীতৈ ঐখোয়না লাইগী মচা-মশু নৎত্রবদি লাইনিংথৌ সোরারেননা মীতৈ চনু লৌরম্মোইদবনি। অসি পূম্নমকসিবু মীতৈনা থৌশাবিখিদবননি। মতম অমমমদা চৎখিবা ঈথকসি ওন্থোক্না চাওবোইরে! মীতৈ মরুপ ইবুঙোশিং, মতম অমদা ঈথক্না পুখিবা ইপা-ইপুগী খুভম পূম্নমক্তো ঈথক অচৌবা অমনা অমুক পুরক্লে। ৱাখল য়াম্না তৌথবিরুরনু, মসিগী মরমদা। অতিঙা মায়গৈ শিন্না থুংনা মপু ইবুঙোগী পাউজেল চৎখ্রে। মীতৈগী নাকোংদা পাউ য়ৌদবা লৈখিদ্রে। চহী ৩০০/৪০০ রোমগী মনুংদা কনা অমত্তনা পাউসি তারমদে। মপু ইবুঙোগী পাউজেল লাকপনা হৌজিক্কী মতমদা মীতৈগী য়ূম্নুম খুদিংগী মপু ইবুঙোগী ৱারী হায়নরকইবনি।

হন্দক্কী ৱাসিদা কনানসু কনাবু য়েংথীবা ৱা নত্তে। মতমগী ঈথক লাকপা মরম্না চুম্না তাওথরম্বা কৌশিং ময়াম্বু ঈথক্না ফুদুনা কৌশিং মশেন কাওনরিবনি। অসি পূম্নমকসি তেংবানবগী মহৌশানি। মরম অসিনা মীতৈ মরুপ ঐখোয়না মীনা ঙাঙনৈ, মীনা চৈখি হায়বগী থোইদোক্না থৌশাজরুদে, তু চুংজরুদে। মীতৈ ইবুঙো ইবেন্মশিং পূম্নমকসু মীনা মপু ইবুঙো অপোকপগী মথক্তা ঙাঙবদো, থৌশানা তাবীরোই হায়না নীংজে।

লম্বীনা চুল্লবদি, লমদাংনা ফরবদি মমিৎ তাঙবসু কৈথেল য়ৌবা ঙমজে। মপু ইবুঙো অপোকপগী মঙান মহুম ফংলিবা লাইবক ফবা ইবুঙো-ইবেন্মশিংদো মিৎ তাঙবসু মহৈ মশিং হৈবা ওইজে। মখোঙ তেক্লবসু চীংজাও লান্না চোংবা ঙমজে। মীতৈ মরুপ ইবুঙোশিং মতুংসিদা লৈবাক্না কৌখৎলবসু, পান্থৈ লৈতবা কলাপানিদা লৈবা মরম্না ঐখোয়দি চৎপা ঙমজররোইয়ে। লৈবাক্কী তৌরিবা ঈরাং, অপোকপা ইবুঙোগী লাক্লিবা মহুমসিগী ৱারী অতৈ অতৈ হায়নীংবা ৱা পূম্নমকপু, মীতৈ মরুপ ইবুঙোশিং, তুংদা মরুপ তিনবা খুদিংদা হায়জরখিনি। ঙসিগী নুমিৎতি অসিদা অসুম লোইশিঞ্জরগে। মীতৈ মরুপ ইবুঙোশিং-অপোকপা ইবুঙোগী মরীদা অমসুং গৌড় ধর্ম্মগী কৃষ্ণগী মরীদা ইবুঙোশিং পূম্নমক্না থৱায়না তাবা মরীদা মহাক মহাক্না হায়নীংবা ৱাহৈ পরেংবু ঙসিগী মরুপ তিনবসিদা অমমম ওইনা হায়বীগনি। খঙদবগী পূক্লিং অমম্ববু ঙালহনবীগনি হায়না নীংজে। খ্বাই তরাবু ঐনা খূবাক লাইখন শাদুনা খুরুমজে।

অহল ইবুংঙো তখেল্লম্বা বোকুলনা লাইনিংহল ইবুংঙো নাওরিয়া ফুলোনা ইরম্বা লাইরিক কয়া নৈনদুনা লাইনিংহলগী ৱাখলবু শন্দোকপদা অচৌবা থৌদাং লৌখি। অহলনা লাইনিংহলগী 'তোঙানবা অমসুং লাইনিংথৌ লাইপাও'বু শন্দোক্না তাক্তুনা মীয়াম্বু খঙহল্লি। হায়রিবা লাইরিক অসি মীতৈগী লাইথৌ তৌবা পিবাশিংনা 'লাইরিক তাবা' হায়বদুদা য়াম্না পাম্না শীজিন্নরি। লাইরিক অসিদা নত্তনা 'নাওরিয়া অহলগী ৱাখুল- পোমিৎ (আইদিওলোজি)' কৌবা লাইরিক অমসু থম্বীরম্মী। মদুদা লাইনিংহলগী লাইরিক কয়া নৈনরম্মী। মদুদি :- (১) ঐগী ৱারেং (২) মীতৈ হৌভম ৱারী (৩) অহল ৱাথং (৪) মীতৈরৈবাক লাইফম (৫) নোংগালম্বী (৬) লাইপাও (৭) শায়োন তরা (৮) থাইন-নোংইন (৯) শকোক (১০) পামহৈবা অসিনচিংবা।

তখেল্লম্বা অহলনা তৌরম্বশিং অসিনা লাইনিংহলগী ৱাখুল- পোমিৎপু ঙান্থোকহল্লি, তুংদা থিরকপশিংদা অচৌবা মতেং অমা পাংই। য়াম্না কান্নবা ফংহল্লি। লাইনিংহল নাওরিয়া ফুলোনা থম্বীরম্বা পূম্নমক তখেল্লম্বা অহলনা নৈনরম্বা ঙমখিদে। মরক মরক্তা ৱারেং মচা মচা ওইনা লাইনিংহলগী শৈরেং খরসু নৈনরম্মী। মতাং অসিদা অহলনা নৈনরম্বা শৈরেং অমা উৎচরি।

ঈচেল

"অহিং" নংসি ওনথোকনা নুংশিহৈতে
থৌজানগী মরিকতি নশাদা পকতে।
করিগী ঐহাকপু নহাকনা চানদে
ঐহাককি লৈরাংবু নহাকনা য়েংদে।
নুংশাগী মৈচাকনা থোয়দোকনা চাকলে
উমংগী লৈরাংনা থোয়দোকনা মললে।
নহাককি থৌজাননা মপাংগন ফংজৈ ●

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১৩৫গী ৱাহং**

১) "হিংচা য়াইতম্বা মানবা নুপা অমনা ঐবু চাগদৌগুম য়েংলগা মখূৎ অনী তিংথোক্লগা ঐঙোল্লোমদা চঙশিল্লকপদু উবদা কিমনখ্রদুনা খোঞ্জেল ফাইবোই করিবোই 'হো ইমা!'... হায়খিগুমসু তৌখি।"

ৱাহৈ পরেং অসি নোভেল অমগী অহৌবদা অইবনা ফোঙদোকপনি। নোভেলগী মমিং অমসুং অইবা অসি কনানো?

২) "পুন্সিবু হুন্দোক্লম্লগা
করম্না চৎকনি
অনৌবা পুন্সিগী যাত্রা।"

শৈরেং মতেক অসি অইবা অমগী শৈরেংগী লাইরিক অমদগী লৌথোরকপনি। অইবগী মমিং করি কৌবগে? লাইরিক্কী মমিং হায়য়ু।

৩) "মতমগী য়াওল ইরোয়ননা ঈশৈ-নোংমাইগী হীরমদা অওনবা, অহোংবা লাকপসি তোয়না থেংনৈ।"

ৱাহৈ পরেং অসি ওটোবাইওগ্রাফি অমগী অহৌবদা অইবনা ফোঙদোকপনি। অইবগী মমিং অমসুং লাইরিক্কী মমিং ইরকউ।

৪) "ছাত্র ওইরিঙৈদগী হৌনা ইবগী লমদা অদুম্মক থাংলকপনি ঐগী খোঙথাংসি তন্দে-মান্দে, নীংজিং-মাংজিং, ৱাখলগী পোৎলুম পুদুনা, থম্মোয়গী মৈচাক খাঙদুনা।"

ৱাহৈ পরেং অসি অতোপ্পা লোলদগী মণিপুরীদা হন্দোক্লবা লাইরিক অমগী অহৌবা অনুবাদকী ৱারোলদা ত্রান্সলেটরনা ফোঙদোকপনি। ত্রান্সলেটর অসিগী মমিং অমদি হন্দোক্লিবা লাইরিক্কী মমিং করিনো?

৫) "নতম্বাক্তা" হায়না মীংথোনবা ৱারীমচা অসি অইবা অমগী ৱারীমচাগী লাইরিক অমদা য়াওবনি। য়াওরিবা ৱারীমচাগী লাইরিক্কী মমিং অমসুং অইবা অসি কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ১৫, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাও, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## অহুমশুবা নোর্থ-ইষ্ট ইন্দিয়া ফিল্ম ফেষ্টিবেল অমসুং থিংনাম পরশুরামগী 'টৌই গন'

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

মিনিষ্ট্রি ওফ ইনফোর্মেশন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং অমদি নেশনল ফিল্ম দিভেলপমেন্ট কোর্পোরেশননা স্পোন্সর তৌদুনা থৌনা মণিপুর, দিপার্টমেন্ট ওফ ইনফোর্মেশন এন্দ পব্লিক রিলেসন্স, মণিপুর অমদি ওল মণিপুর ফিল্ম প্রদ্যুশরস এসোসিএশননা পূন্না খূৎশম্নদুনা লম্ফেলদা লৈবা তাম্থাপোলিস সিনেমাদা পাঙথোকখিবা ৩শুবা নোর্থ-ইষ্ট ইন্দিয়া ফিল্ম ফেষ্টিবেল, ২০২৬কী নীনি চনবা নুমিৎতা উৎখিবা খুমনলম্বম ওমেশ্বরীনা পুথোকপা অমদি থিংনাম পরশুরামনা দিরেক্সন পীবা মিনট ১৫ শাংবা নন-ফিচর ফিল্ম 'টৌই গন' লাইবক ফবদগী য়েংবা ফংজহৌই। গন কলচরদা নুংনাংবা পোকচবা, ঈং-তপ্পগী পাউজেল পুবা ফিল্মনি। ফিল্ম উৎপা লোইরদুনা মথংগী শো ঙাইরিঙৈ তাল্লক্তা মমিকোন মনুংদা কোয়চেন চেন্দুনা মমান্নবশিংগা শান্নরিবা ফিল্মসিগী প্রোটাগোনিষ্ট চাইল্ড এক্টর থিংনাম পারিহনবগী মখূৎ শোক্লদুনা মীতৈলোলগী পোষ্টর শৈরেং 'য়োইবু য়োইহেন তান্নবুং' গা লোয়ননা খূৎশিন্নরম্বা কোংগ্রেচুলেটরি নোটনি - 'টৌই গন' : শোর্ট বট সার্প এন্দ সাইনিং। ওইগী খূৎ শোক্রদুনা হায়রুই : পর্ফেক্টলি পরফোর্মদ। কীপ ইট অপ। য়েংবীয়ু, নুপীমচাশিং লাইরিক তমহনগদবনি হায়বা ঈহৌ শাগৎলুবগী মলালা য়ুসফজাইগী মকোকতা নোংমৈনা কাপ্পা ঙল্লিবা মেদিভেল বার্বরিজমগী শক্তম লৌরিবা টালিবানশিংনি। ধর্ম্ম অমদি বিজ্ঞান পূন্না চৎমিন্নগদবনি হায়বা ৱাখল্লোন শাগৎখিবা ডা. টি দি সিংহগী পুন্সিদা তেমশিংনা 'শিরসনু' হায়না বোম লংশিল্লিবা ইচিন-ইনাওশিংনি। লুচিং পুরেল ওজা চীংশুবম অকাবসু হিংসাগী ঈখেং মরক্তা খাংঙুথক্তা পূন্সি লোমখিবনি। চায়নরোলগী চৎনবী চপ চানা লৈজবা ইরমদমসিদা ষ্টেট, নন-ষ্টেট এক্টর অনীমক চায়নরোল ঙাক্নদবগী লমজেল তান্নরে। ঐখোয়গী অঙাংশিংসু য়াওশঙ কুম্মৈ মতমদা মহৌশাগী পেচকারি তুংওইনরমদুনা টৌই গনগী পেচকারি পায়খৎনরক্লি। অৱাবনি, অহিংসাগী পাউখোল্লোই মহাত্মা গান্ধীগী মপোক কুমওন ক্লিনলিনেস দে থৌরম পাঙথোকহনখিদ্রে। য়েংবীয়ু, নোবেল পীস প্রাইজ ফংজনীংবনা ঙাওচৎনরবা, ঐ মঙাইরে নাপন্না ৱাংলৈ য়ুহেন্নরবা শেঞ্জাও পায়বা তম্বা নুপাসে। তো তো, মহাক্না হাৎনীংবা মীশিং দ্রোন মিসাইলনা টার্গেট তৌরদুনা মথং মথং হাৎলক্লি। মহাক্কী মীচংদা লেপ্পু য়াদবা লৈবাকশিংগী মথক্তা বোম টোপ হৈথরক্লি। মতাং অসিদনি বিবেক বিচার চপ চানা লৈবা থিয়েটর এক্টিভিষ্ট, আর্টিষ্ট, অইবা-অইবী, শৈশকপা-শৈশকপী অমদি ফিল্ম মেকরশিংনা অহিংসা অমদি শান্তিদা য়ূম্ফম ওইবা পোথোক হেন্না হেন্না পুথোকপগী তঙাইফদবা লৈরক্লিবা। মচি মচিদা লান মচা মচা অসুম শোক্নরম্বদগী খূকউ শেন্নহৌদবা মীৎকুপ্তা হেক্তা থোরকপা য়াবা থর্মোন্যুক্লিয়র লান অমগী খুদোংথীবনা ঙসিদি ঐখোয়গী পূন্সিদা তেমশিংনরে। থর্মোন্যুক্লিয়র ৱার : হিংহৌবশিংনা শিখ্রবশিংবু কল্লক্কদৌবা পৃথিবীগী অহুমশুবা অমসুং অরোইবা লান।

অরোইবদা, নোর্থ-ইষ্ট ইন্দিয়াদা লৈরিবা ষ্টেট ৮গী মগুণ লৈরবা অখন্নবা ফিল্ম মাপন মীয়াম্না য়েংবগী তাঞ্জা অমা পীবিবগীদমক ৩শুবা নোর্থ-ইষ্ট ইন্দিয়া ফিল্ম ফেষ্টিবেল, ২০২৬কী থৌনা ফরবা থৌমী খুদিংমকপু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎচরি, ইকায়খুম্নবা উৎচরি।

**অদোমগী - বীমরঙ্গল পুখ্রম্বম, ককচীং খুল্লেন পাজি লৈকায়**